**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 15-06-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- রাজ্য সরকারনা চীং অমসুং তম্পাক্কী লৌমীশিংদা কুমশি চহিগী ওইনা দরকার লৈবা হার ফংহন্নবা হোৎনরি।

২) কাংপোকপী জিলাদা ঙসি খুৎলায় পায়বশিংগী মরক্তা খুৎ থোকবদা শোকপনি হায়বা কুকিগী মীওই অহুম রিমস হোস্পিতালদা লায়েংনবা পুরকপদা মীয়ামা ইরাং হৌরকখ্রে।

৩) উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা ঙসি সেনাপতি জিলাগী ওইনা ফত্ত-হাউদি পুথোক পুশিন তৌবদা শিজিন্নগদবা অনৌবা গাড়ি ৮ লমথাখ্রে।

৪) ভিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৬ নিউ দিল্লিদা হয়েং লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হৌদোক্লগনি।

অমসুং

৫) ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী মেটচশিংদা স্পেনগা কাবো ভর্দিগা, বেলজিয়মগা ইজিপকা, সাউদি অরাবিয়াগা উরুগুৱেগা, ইরানগা নিউজিলেন্দগা শান্নগনি।

------

হার (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- চহী অসিদসু রাজ্য সরকারনা চীং অমসুং তম্পাক্কী লৌমীশিংদা দরকার লৈবা হার ফংহন্নবা হোৎনরি।

রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগনা শিনদুনা ইম্ফালগী শঞ্জেনথোংদা লৈবা বিভাগ অসিগী ওফিস মমাঙদগী হ্যার পুবা গারিশিং অদু লমথারদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মমাঙ চহীদা হ্যার বেগ লাক্ষ ১ গা লিশিং ৮০ রোম লৌমীশিংদা ফংহনখি হায়বগী রিপোর্ট লৈ। চহি অসিদা হ্যারগী ষ্টোক বেগ লাখ ২ রোম লৈরি। লৌমীশিংদা হ্যার ফংহন্নবগীদমক মরী লৈনবা এম.এল.এ অমসুং লোকেল লিদরশিংদা  তান্নদুনা হ্যার য়েন্নবগী মফম লেপথোক্লে। মহাকা হায়- লৌমীশিংদা তঙাইফদবা হ্যারগী চাং অদুতমক পীগনি। কনাগুম্বা লৌমীশিংনা হ্যার ফংহৌদবা লৈরবদি লৌউ শিংউ বিভাগকী কম্মিসনর অমদি দাইরেক্তরদা খঙহন্দুনা দাইরেক্তোরেটতগী দরকার লৈবা হ্যার লৌবা য়াগনি।

রাজ্য অসিদা ওর্গানিক ফার্মিংগী মাইকৈরোমদা চংশিল্লক্লি হায়রদুনা শ্রী খেমচান্দনা হায়- রাজ্য অসিদা রসায়নগী হ্যার শিজিন্নদবা মপুং ফাবা লৌউ পথাপ লৈহন্নবা সরকার অমদি মরী লৈনবা বিভাগকী মাইকৈদগী কন্না হোৎনরি। মসিদসু নত্তনা রাজ্য অসিদা ওর্গানিক ফার্মিংগী লৌউ পথাপ পাকথোক চাউথোকা পায়খৎনবা থৌরাং তৌরি। লৌমীশিংনসু রসায়নগী লৌউ পথাপকী মহুৎ ওর্গানিক ফার্মিং লৌউ পথাপতা ওন্থোকবা হোৎনসি হায়না মুখ্য মন্ত্রিনা আপিল তৌখি।

থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা লৌউ শিংউ বিভাগকী দাইরেক্তর পিতর সলামনা হায়-ঙসিদগী য়েনবা হৌরিবা হ্যারশিং অসি লৌবদা লৌমীশিংদা পত্তা য়াওই য়াওদে হায়বগী ইস্যু লৈরোই। লৌমীশিংনা পত্তা য়াওদ্রবসু লৌমীগী কার্দ নত্রগনা তেনান কার্দ পুরক্লগা হ্যার লৌবা য়াগনি।

ঙসিদগী হৌরগা থা অসিগী ৩০ ফাওবদা তোঙান তোঙানবা মফম ৮৭ তা হ্যার ফংহনবগী খোঙথাংশিং পায়খৎখিগনি।  ঙসি হৌবা নুমিৎতা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী তোঙান তোঙানবা মফম ৮ দা লৌমীশিংদা হ্যার য়েন্থোকখি।

সিএম (এল)ঃ   মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়রি- কর্ম্মচারিশিং, থবক পীরিবশিং অমসুং পেন্সনরশিংগা সোসিয়েল সেক্যুরিতি অমদি য়াইফনবা

হোৎনবদা ই.পি.এফ.ওনা শিংথানিঙাই ওইবা থৌদাং লৌরি। ঙসি মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা ই.পি.এফ.ওগী এনফোর্সমেন্ট ওফিসার সি.ঐচ. চিত্রসেন সিংহগা উন্নদুনা ইমপ্লোয়িজ প্রোভিদেন্ট ফন্দ ওর্গনাইজেসনগী পাঙথোক্কদৌরিবা জাতি থাক্কী থৌরমগী মতাংদা খন্নখি।

অমরোমদা, ৱার্ল্ড এলদর এব্যুজ এৱারনেস ডে ২০২৬ কা মরী লৈননা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দনা হায়- ঐখোয়গী অহল ওইরবা নাগরিকশিংগী ইজ্জৎ, হক ঙাক শেনবা অমসুং য়াইফনবা হোৎনবদা ঐখোয়গী ফিরেপ অমুক হন্না চেৎশিনহল্লশি।

তেংনৌপল জিলাদা লৈবা হৈককপোকপী ব্লাইন্দ স্কুলগী হেদমাষ্টর করুং পরেং কোম অমসুং কোম য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট সরতো অহাও কোনা লুচিংবা কাংবু অমনসু মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখি। উন্নবা অদুদা উবগী শক্তি ৱাৎলবশিংগী য়াইফ থৌরাং অমসুং মখোয়না তম্লিবা স্কুল চাওখৎহন্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মীমান্নদ্রবশিংবু চপ মান্নবা খুদোংচাবা পীবা অমদি মখোয়গী মহৈ মশিং চাওখৎহন্নবা হোৎনবা হায়বসি সরকার অসিগী অচেৎপা ফিরেপনি।

রিমস (এল)ঃ কাংপোকপী জিলাগী লৈলোন ৱাইখৈ অমসুং কোনসা খুল অনিগী লোন্নবা মফমদা ঙসি খুৎলায় পায়বশিংগী মরক্তা খুৎ থোকবদা শোকপনি হায়বা কুকি মীওই অহুম ইম্ফালগী রিমসতা লায়েংনবগীদমক পুরকপদা মফম অদুদা লৈবা মীয়ামা ইরাং হৌরকখ্রে।

অকাশবানি পাউমীনা হায়- অশোকপা মীওই অহুম অদু ঙসি সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা লায়েংনবগীদমক রিমস হোস্পিতালদা পুরকখিবনি। মীওইশিং অদু পুরক্লে হায়বা পাউ ফংবদগী খোইশাওনরবা মীয়ামা রিমস তমা থোমজিল্লকখি। মফম অদুদা অহেনবা সেক্যুরিতি ফোর্সশিং চংশিল্লক্তুনা মীয়ামগী ইহো অদু লাকশিন্নবা হোৎনখি। মসিনা মরম ওইরগা মীয়াম অমসুং সেক্যুরিতি ফোর্স অনিগী মরক্তা চাউনা মুকবা থোকখি। তুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইরাং অদু লাকশিন্নবা তিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপ্তুনা মীয়াম

তানখায়খি। অদুমওইনমক খোইশাওনরবা মীয়ামগী মাইকৈদগী শোকবা মীওই অহুম অদু রিমস হোস্পিতালদগী পুথোক্লিবা ফাওবা খোঙজং হন্দোক্লোই হায়রি।

গোবিনদাস (এল)ঃ রাজ্যগী গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা হায়রি- ৱাৎত-পাদবা অমসুং চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইহন্নবা য়াইফ থৌরাংশিং নিংথিনা য়ৌহন্নবা অমসুং চাওখৎ খোঙথাং য়াংশিনহন্নবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থংনা থংননা প্রধান মন্ত্রিগী ফম পায়রকপা চহি ১২ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা ঙসি গোবিনদাস কোন্থৌজমনা শিংজমৈ বি.জে.পি মন্দলগী প্রসিদেন্ট এল. শান্তিকুমারগা লোয়ননা ৱাই. রাজেন সিংহগী য়ুমদা সঙ্গিৎ নাটক একাদমি মনা ফংলবা এল. বিনো দেবী অমসুং এল. বেদবতি দেবীগা উন্নখি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা মন্ত্রিনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা হৌখিবা চহি ১২ অসিদা পাঙথোকখিবা থবকশিং অমসুং অওনবা পুরকপগী খোঙথাংশিং মখোয়গা খন্নখি। অফবা লৈঙাক সাসন অমসুং পুন্না চাওখৎমিন্নবগী খোঙচৎ অসিনা মণিপুর য়াওনা লৈবাক শিন থুংবদা মীয়ামদা শিংথানিঙাই ওইনা কান্নহল্লে হায়খি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা সাফ ফুটবোল ৱিমেন্স চেম্পিয়নসি ২০২৬ তা বেষ্ট গোলকিপ্পরগী মনা ফংলক্লবী কৈরক মখা লৈকাইদগী এলাংবম পান্থোই চনুদসু মন্ত্রিনা নুংঙাইবা ফোংদোকখি।

লোসি (এল)ঃ রাজ্য সরকারগী পাব্লিক হেলথ ইঞ্জিনিয়ারিং অমসুং ফোরেষ্ট, ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেত চেঞ্জ বিভাগকী থৌসু পুরিবা উপ-মুখ্য মন্ত্রি লোসি দিখোনা ঙসি সেনাপতি জিলাগী ওইনা ফত্ত-হাউদি পুথোক পুশিন তৌবদা শিজিন্নগদবা অনৌবা গাড়ি ৮ লমথাখ্রে।

ফত্ত-হাউদি খোম্বদা শিজিন্নগদবা গাড়িশিং অদু মরিসুবা ষ্টেট ফাইনান্স কম্মিসন গ্রান্টসকী মখাদা লৈবনি। গাড়িশিং অদুগী মনুংদা দিপ্পর ৬, দম্পর ২ য়াওরি। গাড়িশিং অসিনা সেনাপতি জিলাগী মনুং চনবা কারোং, তদুবী, মাখ্রে পাদৈ, মাও ইনু চোরো, পুরুল অমসুং ওইনাম মোদেল ভিলেজগী অকোইবা মফমশিংদগী ফত্ত-হাউদি খোমগৎপদা শিজিন্নগনি। ১৫ শুবা ফাইনান্স কম্মিসনগী মখাদা সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্ট য়াওনা ওতোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল সেনাপতিনা মীয়ামগীদমক য়াইফনবা তোঙান তোঙানবা থবকশিং পায়খৎলি। থবকশিং অদুগী মনুংদা সেনাপতিগী তোঙান তোঙানবা মফম ১৩ দা ফত্ত হাউদি পৈশিনদুনা থমবা অমদি খন্দোক্লবা মফমশিং শেমগৎপা য়াওরি। সোলিদ ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকীদমক চাউরাকা লুপা কোতি ২ লাখ ৯০ কাইথোকখি।

লমথাবগী থৌরম অদুদা কারোং বিধান সভা কেন্দ্রগী এম.এল.এ-জে. কুমো-সা, সেনাপতিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার ধরুন কুমার, এ.দি.সি সেনাপতিগী চীফ একজিক্যুতিভ ওফিসার শ্রীমতি অদারি মাহিও য়াওনা এ.দি.সিগী মীহুৎশিং অমসুং খুলগী লুচিংবা কয়া শরুক য়াখি।

এসআইআর (এল)ঃ  রাজ্য অসিদা হৌজিক চখ্থরিবা স্পেসিয়েল ইন্তেন্সিভ রিভিজন (এস.আই.আর)কী মতাংদা নোংমগী ওইবা ইলেক্তোরেল সেন্সিতাইজেসনগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাদা লৈবা ওরিয়েন্তেল কলেজগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু কলেজ অসিগী ইলেক্তোরেল লিটরেসি ক্লবনা ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেল অমসুং মণিপুর ইনোভেসন সোসাইতি ইম্ফালগা খুৎশমনা শিনবনি। থৌরম অদু হৌজিক চখ্থরিবা এস.আই.আরগী থৌরাং অসিদা ইলেক্তরশিংনা খঙজিনবগী মরুওইবা কয়া অদু মহৈরোই অমদি ওজাশিংদা মপুং ফানা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

উমং (এল)ঃ     উমং এপপকী খুখাংদা য়ুজর কোতি ১০ হেনবনা দিপার্টমেন্ট ২৪০ হেনবদা সার্ভিস লিশিং ২,৪৪৬ এক্সেস তৌবা ঙমদুনা হান্না অমুক্তা ওইখিদ্রিবা চাংদা দিজিতেল প্লেটফোর্ম অমখক্তা লৈঙাক সাসন পুরকপা ঙমলে। দি.আই.পি.আরনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমনা হায়- উজালা স্কিমগী মখাদা এল.ই.দি বল্ব কোতি ৩৭ য়েন্থোক্তুনা মৈ শিজিন্নবা অমসুং কার্বোন থোকহনবগী চাং হন্থহনবগা লোয়ননা চহিগী ওইনা লুপা কোতি লিশিং ১৯,১৫৩ কনবা ঙমলে। ৱারোল অদুনা হায়- শেনবা চহি ২০১০ দগী ২০১৩ ফাওবদা ইনফ্লেসনগী চাং চাদা ১০.১ লৈরম্বদু শেনবা চহি ২০২৫-২০২৬ তা চাদা ৪.৭ তা হন্থরক্তুনা শেল থুমগী ফিভমদা হেন্না তংদু লৈতাবা ঙমহল্লে।

অতোপ্পা ৱারোল অমদা ভারত মচা কোতি ১৩৪ না আধার পায়দুনা মসিবু মালেমগী খ্বাইদগী চাউবা বাইওমেত্রিক আইদেন্তিটি সিষ্টেম ওইহল্লে। মসিনা কোনশিল্লিবা মীশিং অসি য়ুরোপকী অপুনবা মীশিংদগী হেল্লি অদুগা আমেরিকাগী মীশিংদগীনা শরুক মরিরোম হেল্লবনি।

এয়ারপোর্ট (এল)ঃ     এয়ারপোর্টস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়ানা ঙসি ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল এয়ারপোর্টতা য়াত্রি সুবিধা দিৱস ২০২৬ পাঙথোক্তুনা মখোয়গী পেসেঞ্জর ফার্ষ্ট-এক্সেলেন্স ইন সার্ভিস হায়বা ফিরেপ অদু অমুক হন্না চেৎশিনহনখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ইম্ফাল এয়ারপোর্টকী দাইরেক্তর সিপেমমি কৈসিংনা হায়- ঙসিগী থৌরম অদুদা পেসেঞ্জরশিংগী খুদোংচাবা হেনগৎহন্নবা, এয়ারপোর্টকী থবক ফগৎহন্নবা অমসুং হেন্না মপাঙ্গল লৈবা অমসুং হেন্না নোংথক লম্বীনা শমবা ভারত অমা ওইহন্নবা মালেম থাক্কী এভিএসন ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা ওথোরিতি অসিনা কৎথোকপগা লোয়ননা হোৎনরিবশিং অদু মীয়ামদা খঙহন্নবনি। মহাকা হায়- হৌখিবা চহি ১২ অসিদা ইম্ফাল এয়ারপোর্ট মতমগা চুনবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর য়াওনা শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলে। এয়ারপোর্ট অসিদা চাওখৎ থৌরাংগী তোঙান তোঙানবা থবক থৌরমশিং পায়খৎপা অসিনা ইম্ফাল ইন্তরনেসনেল

এয়ারপোর্টপু লমদম অসিগী মীয়াম অমসুং এরোপ্লেন তোংলিবশিং হেন্না খুদোংচাবা ফংবা এয়ারপোর্ট অমা ওইহল্লগনি।

সোসিয়েল (এল)ঃ রাজ্যগী সোসিয়েল ৱেলফ্যার দাইরেক্তোরেটনা অঙ্গনৱাদি ৱার্কর অমসুং অঙ্গনৱাদি হেল্পর লৌনবগী অইবা চাংয়েং পরিক্ষা লাক্লিবা থাংজ নুমিৎ থা অসিগী ২০ দা পাঙথোক্লগনি হায়রি। সোসিয়েল ৱেলফ্যারগী দিরেক্তর সৈখ অবদুল হকিমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-পরিক্ষা অসি ইম্ফাল, বিষ্ণুপুর, ককচিং, জিরিবাম, তমেংলোং, নোনে, উখ্রুল, কাংপোকপী, সেনাপতি, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং তেংনৌপলদা পাঙথোক্কনি। চাংয়েং অসিদা মায় পাক্লবশিংগী ইন্তরভিউ থা অসিগী ২৪ দগী মথং থাগী ৫ ফাওবা চথগনি। কেন্দিদেটশিংনা মখোয়গী এদমিট কার্দ থা অসিগী ১৮ দগী দাউনলোদ তৌবা য়াগনি হায়রি।

ৱাকৎ (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিগী ৱারোইশিন অমা অথুবদা পুরকবা দাবী তৌরদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লুৱাংশংবমদা লৈবা শ্রীবন হায়র সেকেন্দরি স্কুলদা মহৈরোইশিংনা ৱাকৎ মীফম চথখ্রে। এম.এস.এফ ময়াই লোইশঙগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট কমিতি ইম্ফাল ইষ্টনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা পাঙথোকখিবা ৱাকৎ মীফম অদুনা তোঙান তোঙানবা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

ব্লড (এল)ঃ সিজ ফাউন্দেসন্না শিন্দুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লাঙ্গোলদা লৈবা সিজ হোস্পিতাল এন্দ রিছার্স ইন্সটিট্যুটতা ৱার্ল্ড ব্লড দোনর ডেগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু ৱা দ্রোপ ওফ হ্যুমেনিতি, গিভ ব্লড সেভ লাইভস হায়বা হিরমদা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুদা ব্লড দোনর ৪৪ অমসুং তোঙান তোঙানবা ওর্গনাইজেসন ১৩ দা অচম্বা খুদোল পীদুনা ইকায় খুমখি।

এআর (এল)ঃ   অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা অসাম রেজিমেন্ট লিংখৎখিবগী ৮৫ শুবা কুমওন থৌরমদা ঙসি ইম্ফালগী বাবুপারা ত্রাফিক পোইন্টতা লৈবা অসাম রেজিমেন্ট ৱার মেমোরিয়েলদা লৈ কৎপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

অমরোমদা, চান্দেল জিলাদা অসাম রাইফলসকী হ্বিলদার লুহিত গোগোইনা লৈখিদবগী নিংশিং কুমওন থৌরম পাঙথোকখ্রে। চান্দেলগী জোপিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা লৈখিদ্রবা পার্সনেল অসিগী মফমদা মিলিটরিগী মপুং ফাবা ইকায় খুমবা উৎখি।

বিরলা ঃ   ভিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট ২০২৬ নিউ দিল্লিদা হয়েং লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হৌদোক্লগনি। জাতি থাক্তা পাঙথোকপা য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসি কেন্দ্রগী য়ুথ এফ্যারস অমসুং স্পোর্টস মন্ত্রালয়না শিনবনি।

মন্ত্রালয়না হায়- থৌরাং অসিগী মখাদা নহাশিংবু গনতন্ত্রগী থবক থৌরমশিং, লৈঙাক সাসনগী মরমদা নহাশিংবু হেন্না খঙহনবা, থৌশিল থৌরাং শেন্বা অমসুং সংসদকা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা হেন্না খঙহন্নবনি। মন্ত্রালয়না হায়- ভিক্সিত ভারত য়ুথ পার্লিয়ামেন্ট অসি ভারতকী নহাশিংগী ৱাখল্লোন, অপান্বা অমদি শক্তিশিং অদু জাতিগী থাক্তা খন্ন-নৈনবদা শরুক য়াহন্নবগীদমক্তনি।

পিএম ঃ   প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা স্লোভাকিয়াগী প্রধান মন্ত্রি রোবার্ট ফিকোগা  লৈবাক অদুগী কোনুং ব্রাটিসলাভাদা মীহুৎ কাংবুগী থাক্তা ৱারী শান্নখ্রে। ৱারী শান্নবা লোইরবা তুংদা পুন্না পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- ভারত অমসুং স্লোভাকিয়ানা লৈবাক অনিগী মরী কম্প্রিহেন্সিভ পার্টনরসিপকী থাক্তা পুখৎনবা য়ান্নরে। মহাকা হায়- ঙাকশেলগী লমদা মতেং পীনবা অসি লৈবাক অনি অসিগী অচেৎপা থাজবগী চাংয়েংনি। শ্রী মোদিনা ঙাকশেলগী লমদা লৈবাক অনিনা য়ান্ন-ৱারোল সহি তৌনরে। প্রধান মন্ত্রিনা হায়- এ.আইগী তুংগী লম্বী অসি ইনোভেসনদা য়ুম্ফম ওইবখক নত্তনা থাজনবা, দাইত্ব লৈবা অমসুং মীওইবগী ইজ্জৎতা য়ুম্ফম

ওইগদবনি। মহাকা হায়- দিজিতেল টেকোলোজিগী লমদা ঙসি য়াল্ল-ৱারোল সহি তৌনরিবা অসিনা লৈবাক অনিনা লম অসিদা মতেং পীনবদা অনৌবা মায়ওন অমা পীরগনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা স্লোভাকিয়াগী প্রধান মন্ত্রি রোবার্ট ফিকোনা ভারতকী খুমাং য়াংনা চাওখৎলক্লিবা ইকোনোমি, দিজিটেলগী অওনবা অমদি আর্তিফিয়েল ইন্তেলিজেন্সকী লমদা খুমাং চাওশিল্লক্লিবা অদুবু থাগৎপা ফোংদোকখি।

-হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফিফাঃ ফিফা ৱার্ল্ড কপ-২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা নেদরলেন্দস অমসুং জপান পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখি। গ্রুপ-ইগী মেটচ অমদা আইভোরি কোষ্টনা ইক্বেদোরবু পাঞ্জল ১-০ দা, গ্রুপ-এফকী মেটচতনা স্বিদেননা ট্যুনিসিয়াবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি। ঙসি নুমিদাং পুং ৯ মখায়দা গ্রুপ-ঐচকী মেটচতা স্পেনগা কাবো ভর্দেগা শান্নগনি। নোংয়াই মতুং পংখায় চৎপদনা গ্রুপ-জিগী মেটচ অমদা বেলজিয়মগা ইজিপকা শান্নগনি, নোংঙাল্লমদা পুং ৩ মখায়দনা সাউদি অরাবিয়াগা উরুগুৱেগা শান্নগনি। গ্রুপ-জিগী মেটচ অমদা অয়ুক পুং ৬ মখায়দা ইরানগা নিউজিলেন্দগা শান্নগনি।

কাং ঃ য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিন্দুনা হৌজিক চখুরিবা অনিসুবা চুংখাম নোয়োন চান্দ সিংহ অমসুং ইবেয়াইমা দেবী মেমোরিয়েল লিগ কম নোক আউট কাং তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ক্লাসা কাংখুৎ ওইনামনা ৱালিদা ৱাবগাইবু পাঞ্জল ২৪-১৪ দা থোইখ্রে।

ফুটবোলঃ ৬৫ শুবা ইন্টরনেসনেল সুবরতো ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা মার্তিন গ্রমার স্কুলনা ককচিং মোদেল স্কুলবু পাঞ্জল ১-০ দা থোইখ্রে।

অতোপ্পা মেটচশিংদনা এ.দি.এফ ইংলিস স্কুলনা ভিক্তরি হাইস্কুলবু পাঞ্জল ২-১ দা, য়ুরেকা ইংলিস স্কুলনা সনাতোম্বী হাইস্কুলবু পাঞ্জল ৫-১ দা অমসুং পি.আর ইংলিস স্কুল ককচিংনা পোল ষ্টার স্কুল ৱাবগাইবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ মরি শুবা এম.এন.সি.এ মেন্স অন্দর নাইন্তিন ৱান ডে ত্রোফি ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা লিগ মেটচতা এ.এম.সি.এ থৌবালনা পি.টি.সি.সি পাৎশোইবু ৱিকেট ২ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা পি.টি.আর.সি পাৎশোই পার্ট ফোরনা ই.এস.য়ু ৱাংখৈবু রন ১৩৮ দা থোইখি। আর.সি.এ লিলোংনা এম.পি.এ থৌনাউজমবু রন ১২৬ তা থোইখি।

রেষ্টলিং ঃ মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা সেনিয়র, চহি ১৭ মখা অমসুং চহি ১৫ মখাগী ফ্রি ষ্টাইল গ্রেকো রোমান অমসুং ৱিমেন ফ্রি ষ্টাইল রেষ্টলিং ষ্টেট রেষ্টলিং চেম্পিয়নসিপ পাঙথোক্লগনি। খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা সাই এস.টি.সি সেন্তরদা চেম্পিয়নসিপ অসি থা অসিগী ২০ অমসুং ২১ দা পাঙথোক্কনি। য়াওনিংবা শান্নরোইশিংনা থা অসিগী ১৯ ফাওবদা রেজিষ্টর তৌনবা মণিপুর রেষ্টলিং এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা হায়রি।

------